# রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন অনৌবা রাউন্দগী পিছ টোল্ক হৌখ্রে
## দ্রাফট এগ্রিমেন্টদা মোস্কোগী দিমান্দ অহুম পন্দ্রে

ইষ্টানবুল, মার্চ ২৯ (এজেন্সী):

রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা অনৌবা রাউন্দগী পিছ টোল্ক চথবা হৌখ্রে। হৌজিক চথরিবা মোস্কো-কিভকী লানদা সিজ ফায়র অমা পুরক্লবগী পান্দমদা নাকল অনীগী মায়োক্তা পিছ টোল্ক মখা চথরকপনি।

ইষ্টানবুলগী বেসিসটাস দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা দোলমাচে প্রসিদেন্সিএল ৱার্কিং ওফিসতা মীফম অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেব টায়িব ইর্দোগান্না হায়খি, মদুদি মশক থোকপা রিজল্টশিং লাকহন্নবা ৱারী শান্নবগী মতম অদু লাক্লে।

টর্কিজ লিদর অসিনা খুদক্তা সিজ ফায়র পুরক্লবা আপিল তৌবগা লোয়ননা মতম শাংনা লান শোক্লবা হায়বসি কনামত্তগী অপাম্বা নত্তে হায়খি।

ইর্দোগান্না হায়খি, মদুদি মালেম পুম্বনা নখোয়দগী অফবা পাউ তানবা ঙাইরি। নখোয়না হোৎনরিবশিং য়ারিবমখৈ লৈহন্নবগীদমক্তা ঐখোয় খুদিংমক্না মতেং পাঙনবা শেম শাদুনা লৈ। টর্কিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লিদরশিংগী মরক্তা মীফম পাঙথোকহন্নবা শেম শাদুনা লৈরে।



হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮ দগী য়ুক্রেন্না বেলারসতা পুন্দুনা ৱারী রাউন্দ অহুম শান্নখ্রে। মরিশুবা সেসন অদু ভিদিও কনফরেন্স ফোর্মেটতা পাঙথোকখি। খ্বাইদগী মরু ওইবা রসিয়াগী দিমান্দশিংগী মনুংদা অমদি য়ুক্রেনননা নাটোদা য়াওবগী ৱাখল থাদোক্কদবনি হায়বসিনি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা মন্তিক্লনিংবগী ইঙ্গিৎ পীরকপা লৈরে। মীফম অদুদা খন্নরকপা য়াবা অতৈ ইস্যুশিংগী মনুংদা সেপরেটিষ্টশিংনা পায়শিল্লিবা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা লমদমশিংগী মরাইবক, ক্রিমিয়াগী ষ্টেটস য়াওরি। ক্রিমিয়া অসি কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদগী লৌশিনখিবনি।

টর্কিদা লৈবাক অনীগী মরক্তা মায় মায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লাংখিবা দ্রাফট সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অমদা লান হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মোস্কোনা তৌখিবা মরু ওইবা দিমান্দ অহুম য়াওদ্রে হায়না দেলি মেলগী রিপোর্টনা হায়রি।

দিস্কসনশিং অদুগী মতাংদা ব্রিফ তৌখিবা মীওই মরিগী মতুং ইন্না রসিয়ানা হৌজিক কিভকী লিদরশিপতা অহোংবা লাকহনবগী ৱাফম থাদোকপগা লোয়ননা য়ুক্রেন্না দি মিলিটরাইজ তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ লোয়ননা রসিয়ান লোনগী লিগেল প্রোটেক্সন পীগনি হায়বা দিমান্দ অসিসু থাদোকখিবগী মওং উই।

য়ুক্রেনননা নাটোদা য়াওনিংবগী অপাম্বা অসি থাদোক্লিমখৈ লৈবাক অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওবগী ৱাফমদা মোস্কোনা য়ানিংদবসু লৈত্রে হায়না মেলগী রিপোর্ট অদুনা পনখি।

নাটোদা য়াওদবা তারবদি য়ুক্রেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওবদা অকায়বা লৈতে হায়বা মোস্কোগী ইঙ্গিৎ অসি প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা য়ানিংবা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

তৌইগুম্বসুং মোস্কোগী ফিরেপতা নুমিৎ খুদিংগী অহোংবা লৈ হায়না কিভকী ওফিসিএলশিংনা নুংনাংলি। মখোয়না কিরিবদি লানফম কয়াদা রসিয়ন ফোর্সশিং অমুক হন্না পুনশিন্নবগী মতম লৌননবা রসিয়ানা পিছকী ৱাফম অসিদা থৱায় য়াওবা উৎপা ওইরমগনি হায়বসিনি।

য়ুক্রেনদা লান্দাবা য়ানবগী মরম পীরদুনা রসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মহাক্কী পান্দমদি প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগী নিও-নাজি লিদরশিপকী মখাদা চথরিবা জেনোসাইদকী থৌওংশিংগী চৈথেং নঙলবা মীওই কাঙলূপশিংবু কনবীনবা অমদি প্রোটেক্সন পীনবা হোৎনবনি হায়খি।

তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি লান লোইরবা মতুংদা পুটিননা য়ুক্রেনগী লুচিংবা অসিবু মখা তানা পৱার পায়বা য়াহল্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ উরি।

# য়ুএন চীফনা য়ুক্রেনদা হ্যুমেনিটরিয়ান সিজফায়র লাকহনবা হৌরগনি: গুটরেজ

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৯ (এজেন্সী):

য়ুএন ওফিসিএল অমনা লুচিংদুনা য়ুক্রেনদা হ্যুমেনিটরিয়ান সিজফায়র পুরক্লবা দিপ্লোমেটিক থৌরাং অমা পায়খৎলি হায়না য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা লাউথোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুএন চীফনা হায়খি,মদুদি য়ুক্রেনদা হ্যুমেনিটরিয়ান সিজ ফায়র অমা লাকহন্নবগী এগ্রিমেন্টশিং নত্ত্রগা এরেঞ্জমেন্টশিং পুরক্লবা মরী লৈনবা পার্টিশিংদা খুদক্তা তান্নবা মহাক্না অন্দর সেক্রেটরি জেনরেল মার্টিন গ্রিফিটতা খঙহনখ্রে।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাদুনা পাক শন্না অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা শাথিরবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিস অমা লাকহনখি।

মীওই মিলিয়ন কয়া লৈবাক থাদোক্তুনা মপানদা লাঞ্জেন-খিবগা লোয়ননা মীচম লিশিং অমা হেন্না শিহনখি হায়না য়ুএননা ফোঙদোরক্লি। য়ুএনগী হ্যুমেনিটরিয়ান অমসুং ইম্মর্জেন্সি ইনিসিএটিবশিং য়েংশিল্লিবা গ্রিফিটনা খুদক্তা দিপ্লোমেটিক খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌরগনি।



হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না ইন্দিয়ান লিদরশিং য়াওনা ৱাতেম্বগী থৌদাং লৌবদা মরু ওইগদবা মীওই কয়া কন্টেক্ট তৌখ্রে হায়না গুটরেজনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

গুটরেজনা হায়খি, মদুদি গ্রিফিটনা মোস্কো অমসুং কিভ অনীমক্তা য়াম্না থুনা চৎলগনি হায়না মহাক্না থাজে। হ্যুমেনিটরিয়ান সিজ ফায়র অমা লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা পার্টি অনীমক্কা থুনা ৱারী শান্নবা মথৌ তাই।

সেক্রেটরি জেনরেলগী ওফিসকী পৱার এক্সর্সাইজ তৌদুনা লান নঙলবা য়ুক্রেনদা হ্যুমেনিটরিয়ান সিজ ফায়র লাকহন্নবগী ইনিসিএটিব অসি লৌখৎলিবনি হায়না গুটরেজনা মখা তাখি। তোঙান তোঙানবা দিপ্লোমেটিব খোঙথাংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি পোলিটিকেল সোলুসন অমা পুরক্লবা তোঙান তোঙানবা ৱাতেম্বগী মওংশিং থিদোক্লবা ঐহাক্না লৈবাক কয়াগা কন্টেক্ট তৌনরি। খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা পার্টি খুদিংমক্তা ৱারী শান্নদুনা লাক্লি।

ঐখোয়না টর্কিগী মরুপ মপাংশিং, কাটার, ইজরেল, ইন্দিয়া, চাইনাদা নত্তনা ফ্রাঞ্চ অমসুং জমর্নিগসু কন্টেক্ট তৌনরি। লান অসি লোইশিলহন্নবগী ফিভমশিং শেম্বদা দিপ্লোমেটিব থৌরাংশিং অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌই হায়খি।

# য়ুক্রেনগী জর্নেলিষ্ট অমা রসিয়নগী ফোর্সশিংনা ফাখ্রে: মীদিয়া ৱাটচদোক



কিভ, মার্চ ২৯ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনিয়ন ইন্দিপেন্দেন্ট ন্যুজ এজেন্সি (য়ুএনআইএএন) গী থবক তৌবা জর্নেলিষ্ট দমিট্রো খিলয়ুক মার্চ ৪ দা কিভ রিজনদা লৈবা ভিলেজ অমদগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা ফাখ্রে হায়না মীদিয়া ৱাটচদোগ অমদা ফোঙদোরক্লি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীদিয়া ইনিসিএটিব ফোর হ্যুমেন রাইটসনা মসিগী ৱেব সাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা দমিট্রোবু রসিয়ন ফোর্সশিংনা ফাদ্রিঙৈ নোংমা মাঙওইননা ফেসবুক পোষ্টতা মহাক্না ইখিবা অমদা বিসোরো দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মহাক্কী ভিলেজ কোজারাভিচি রসিয়ান ফোর্সশিংনা পায়শিনখ্রে অমসুং ঈশিং ফঙদ্রে, দুকানশিং পুমহাং হাংলে অমদি ইন্টর্নেট কনেক্সন য়াম্না শোল্লে হায়না পনখি।

পোষ্ট অদুদা মহাক্না ক্লেম তৌখি মদুদি রসিয়ন ট্রুপশিংনা য়ুমথোং খুদিংগী চঙখি অমসুং মীয়াম য়ুমদগী হেন্দোক্লদনা লৈনবগা লোয়ননা ভিলেজ অদুদা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি।

মীদিয়া ৱাটচদোগ অসিগী মতুং ইন্না খলয়ুক মাঙখিবগী পাউ অসি অহানবদা মহাক্কী মরুপ মপাংশিংনা মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌখি। মখোয়না মহাকপু কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, রসিয়ন মিলিটরি য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওইশিংনা খলয়ুকপু দিটেন তৌখি হায়বসি মহাক্কী মরুপ মপাংশিংনা য়ুমথংনবশিংদগী খঙলকখি। অহানবদা মহাকপু কদায়দা পুরিবনো হায়বসি খঙবা ঙমখিদে।

তৌইগুম্বসুং মতুং তাবদা জর্নেলিষ্ট অদু কিভ রিজনগী অতোপ্পা ভিলেজ অমা ওইরিবা দাইমরদা লৈবা বিল্ডিং অমগী মনুংদা ফাজিন্দুনা থম্লি হায়বসি খঙলকখি। লোকেল রেসিদেন্ট কয়ানা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেনগী মিলিটরি অমসুং লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগা কন্টেক্ট তৌনরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈবদগী খলয়ুকপু রসিয়ন ট্রুপশিংনা ফাখিবা ওইরম্বা য়াই।

য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান হৌখিবদগী য়ুক্রেনদা লোকেল অমসুং মপানগী য়াওনা য়ামদ্রবদা জর্নেলিষ্ট ১২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১০ না অশোক অপন নঙখ্রে।

লানদা শিখ্রবা জর্নেলিষ্টশিংগী মনুংদা য়ুএস জর্নেলিষ্ট অমসুং ফিল্ম মেক্কর ব্রেন্ট রেনোদ অমদি ইনভেষ্টিগেটিব ৱেবসাইট ইনসাইদরগী থবক তৌবা রসিয়ন জর্নেলিষ্ট ওক্সানা বৌলিনা য়াওরি। লোকেল জর্নেলিষ্টশিং ভিক্তোরিয়া রোচিনা অমসুং ওলে বাতুরিনসু রসিয়ন ফোর্সশিংনা ফারবা মতুংদা কোন্না থাদোরকখি।

# মরিওপোলদা মীওই ৫০০০ হাৎখ্রে, মীওই লাক্ষ ১৭০ রসিয়ন ট্রুপশিংনা লাঙ্গোই চন্দুনা লৈরি

কিভ, মার্চ ২৯ (এজেন্সী):

মার্চ ১ দা মরিওপোলদা রসিয়ন ব্লোকেদ হৌখিবদগী মীওই ৫০০০ রোম শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই লাক্ষ ১৭০ রোম্না লাঙ্গোই চন্দুনা লৈরি। অমরোমদা, মীওই লাক্ষ ১৫০ না য়ুক্রেনগী ষ্ট্রেটেজিক পোর্ট সিটি অসিদগী হোন্দোকখ্রে হায়রি।

গভর্নমেন্ট ইষ্টিমেটশিং পল্লদুনা য়ুক্রাইয়িন্সকা প্রাভদাগী রিপোর্টনা হায়, ভিক্তিম ৫০০০ দুগী মনুংদা ২১০ না অঙাংশিংনি। সিটি অসিবু লাঙ্গোই চন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মীওই লাক্ষ ১৪০ সমুদ্র মপানগী সিটি অসি থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

ইষ্টিমেটশিং অদুগী মতুং ইন্না মীওই লিশিং ৩০ রসিয়ন ট্রুপশিংনা নমদুনা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা মখোয়না খুদুম চল্লবা টেরিটোরিশিংদা নত্ত্রগা রসিয়াদা পুখ্রে।

চৈরকসিদা সিটি অসিগী অৱাংবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিংশিংগী চাদ ৯০ থুগায়খ্রে। অমাঙ অতা থোকখ্রবা বিল্ডিংশিং অদুগী মনুংদগী ১৫৬০ হায়বদি চাদ ৬০ দি রসিয়ন মিসাইলশিং, বোমশিং অমসুং আর্টিলরিনা দাইরেক্ট হিট



তৌখিবশিংনি অমসুং বিল্ডিং ১০৪০ হায়বদি চাদ ৪০ না পুমতুম তুম্না অমাঙ অতা থোকহনখি। য়ামদ্রবদা প্রাইভেট রেসিদেন্ট ৬১,২০০ না অমাঙ অতা থোকখ্রে। সিটি অসিদা বোম অমদি মিসাইল শীজিন্নদুনা থুগায়খিবা হোস্পিটাল মশিং পুন্না তরেৎনি।

ইষ্টিমেটশিং অদুনা মেন্যুফেকচরিং প্লান্ট অনী, পোর্ট অমা অমসুং মিলিটরি বেজ ৩০৫৭ সু অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়বসি উৎলি। এদুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী মরক্তগী চাদ ৯০ রসিয়ানা শেল কাপ্পা, বোম থাদবা অমসুং মিসাইল কাপশিনবদা অমাঙ অতা থোকখ্রে।

মখোয়গী মনুংদা স্কুল ২৩ অমসুং কিন্দরগার্দেন ২৮ পুমতুম তুম্না মাঙ তাকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঈশিং, মৈ, হিট নত্ত্রগা কম্যুনিকেসনগী পাম্বৈ অমত্তা ফঙদ্রবা সিটি অসি থাদোক্লবা মরিওপোলগী মেয়র ভাদিম বোয়চিনকোনা আপিল তৌখি।

চৈরকসিদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মরু ওইরবা পোর্ট সিটি মরিওপোলবু লাঙ্গোই চন্দুনা থল্লিবসি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম অমনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। রসিয়ন ট্রুপশিংনা মরিওপোলদা চথরিবা অসি ক্রাইমনি হায়বসি মালেম পুম্বনা উবা অমদি খঙবা ঙাক্তনি হায়না জেলেন্সকিনা দেনিস পালিয়ামেন্টদা ভিদিও এদ্রেসকী খুত্থাংদা ফোঙদোকখি।

# হোন্দুরাসকী টোপ কোর্টনা এক্স প্রসিদেন্ট হর্নান্দেস য়ুএসতা এক্সট্রাদিসন তৌবা য়াহনখ্রে

টেগু সিগলপা, মার্চ ২৯ (এজেন্সী):

হোন্দুরাসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট জুআন ওর্লান্দো হর্নান্দেসপু দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী চার্জশিং মায়োক্লহন্নবা য়ুএসতা থাবগী ৱারেপ হোন্দুরাসকী সুপ্রিম কোর্ট ওফ জষ্টিস (সিএসজে) না অয়াবা পীখ্রে।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিবু এক্সট্রাদিসন তৌবীরক্লবা য়ুএসনা হায়জবা অমা য়ানবা জজ অমনা মার্চ ১৬ তা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ৫৩ শুরবা হর্নান্দেসনা থারকখিবা আপিল অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোন্দুরাস সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি হায়না জুদিসরিগী স্পোক্সমেন মেলবিন দ্যুারটেনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ দগী ২২ ফাওবা ওফিস পায়খিবা হর্নান্দেস করিগুম্বা কনভিক্ট তৌরবদি পুন্সি চুপ্পা ফাদোক তাবা য়াই। মঙোন্দা শিরিবা মরাল খুদিংমক মহাক্না য়াখিদবনি।

ন্যু য়োর্ককী কোর্ট অমনা এক্সট্রাদিসন তৌরক্লবা হায়জবদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারীগী ময়াই চনবা শরুক্তা হোন্দুরাসনা ফাখিবা হর্নান্দেসপু দ্রগ-ট্রাফিক্কিং স্কাম অমদা চৈন্নে হায়না য়ুএস ওথোরিটিশিংনা মরাল শীখি।

য়ুএস ওথোরিটিশিংনা হায়রিবদি হর্নান্দেসনা দ্রগ টন ৫০০০ কলম্বো অমসুং ভেনেজ্যুলাদগী হোন্দুরাস ফাওরগা য়ুএসকা স্মগল তৌবদা খুদোংচাহনখি। দ্রগ স্মগ্লিংগী থবক অদু কুমজা ২০০৪ দগী চথরকখি।



হর্নান্দেসনা মেক্সিকান নার্কো-কিংপিন জুআকিন ‘এল চাপো’ গুজমান য়াওনা দ্রগ ট্রাফিক্কর কয়াদগী দোল্লর মিলিয়ন কয়া লৌদুনা মখোয়দা প্রোটেক্সন পীখি হায়না য়ুএস প্রোসিক্যুটরশিংনা মরাল শীখিবনি।

মতম অমদা ৱাশিংতনদা দ্রগ ট্রাফিক্কিং থেংনবদা মরু ওইবা মীচং অমা ওইনা লৌনখিবা হর্নান্দেস লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জিওমারা কাষ্ট্রোনা হৌখিবা জনুৱারী অথেংবদা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিবদগী হর্নান্দেসপু ফাবগী খোঙথাং অসি তাখিবনি।

মহাক্না মায়োক্লরিবা চার্জশিংদি অহানবদা কন্ট্রোল তৌবা পোৎশক অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা পুশিন্নবা লৌতুনবা, মেছিন গনশিং য়াওনা ফায়র আর্মস পুবা অমদি ফায়র আর্মস শীজিন্ননবা নত্ত্রগা পুননবা লৌতুনবা অসিনা অহানবগী চাজ ‘তা সুপ্রিম কোর্টকী মাজিষ্ট্রেট ১৫ না মোত অমত্তা ওইনা এক্সট্রাদিসন শৌগত্তুনা ভোট পীখি। ফায়র আর্মসকা মরী লৈনবা চার্জ অনীদা মাজিষ্ট্রেট ১৩ না চার্জশিং অদুবু শৌগৎখি অমসুং অনীনা চার্জশিং অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অসি আপিল তৌবা য়াদে হায়রি।

হর্নান্দেসকী উকিলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফেলিক্স অভিলানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা মসি সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অমনি। ৱারেপ অসিবু ঐখোয়না য়ানিংদে হায়রবসু ৱারেপ অসিবুদি ইল্লিগেল ওই হায়বা য়াদে।

হর্নান্দেসকী মায়োক্তা শীরিবা মরাল অয়াম্বা ন্যু য়োর্কতা চথখিবা ৱায়েল অনীদগী থোরকখিবনি। ৱায়েল অনী অদু প্রসিদেন্টগী মনাওনুপা এন্টোনিও টোনি হর্নান্দেস অমসুং মশামক অমদি দ্রগ ট্রাফিক্কর গিওভানি ফ্যুন্টেজ রামিরেসকা মরী লৈনে।

কুমজা ২০১৫ দা মখোয়গী মায়োক্তা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী কেস অমা ফাইল তৌখি। মখোয় অনীমক কনভিক্ট তৌবগা লোয়ননা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। প্রোজিক্যুটরশিংনা হর্নান্দেসপু কেস অদুদা লৌতুনবা হায়না মরাল শীখি। প্রোজিক্যুটরশিংনা শীরিবা মরালদি হর্নান্দেসনা দ্রগ ট্রাফিক্করশিংদগী শেল চারগা মশামক নোংচুপ থংবা হোন্দুরাসকী রুরেল লেম্পিরা রিপ্রজেন্ট তৌবা কংগ্রেসমেন অমা ওইরম্বদগী নেসনেল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইননবগী লম্বী শেমখি অমসুং মতুং তাবদা থংন থংননা টার্ম অনীরক প্রসিদেন্ট ওইবা ঙমখিবনি হায়বসিনি।

মহাক্না শেল চাবদগী ট্রাফিক্করশিংনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা নিংতম্না পাঙথোকপা ঙমখি। করি করিগুম্বা মতমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাওবা দ্রগ ট্রাফিক্করশিংগী থবক্তা মতেং পাঙখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা লেট্টর অমদা হর্নান্দেসনা মহাক মরাল লৈতে হায়বগা লোয়ননা মহাকপু মরাল কয়া শীজিন্দুনা পোলিটিকেলগী লম্মন খুম্নবা হোৎনরকপনি অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা লৌতুনবগী থৌওংশিং চথরকপনি হায়না পনখি।

# য়ুএসকী বজেটতা য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা দোল্লর বিলিয়ন ৬.৯ য়াওহন্নবা প্রপোজ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, মার্চ ২৯ (এজেন্সী):

হৌজিক চথরিবা রসিয়া-য়ুক্রেন লাননা থোকহল্লক্লিবা থ্রেটশিং য়েংলগা শেনবা চহী ২০২৩ গী বজেট প্রপোজেলদা দোল্লর বিলিয়ন ৬.৯ গী শেনফম তোঙান্না হাপ্পবা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না প্রপোজ তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা বজেট দোক্যুমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, রসিয়ানা চথরক্লিবা অকন অরিং শিংবগী থবকশিংগী মায়োক্তা ফন্দিং অসিনা য়ুএস ফোর্সশিং, নাটো মীচংশিং অমদি রিজনেল পার্টনরশিংগী শেম শাবগী ফিভম ফহনবগা লোয়ননা মতিক ময়াইশিং হেনগৎহল্লগনি।

শেনবা চহী ২০২৩ গী বজেটকী শেনফম ট্রিল্লিয়ন ৫.৮ কী মনুংদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী ওইনা য়াওহল্লিবসি পুন্না দোল্লর বিলিয়ন ৭৭৩ নি। মসিগী মনুংদা রসিয়াগী ইথিল থেংনবদা য়ুক্রেনদা মতেং পাঙনবা দোল্লর মিলিয়ন ৬৮২ গী শেনফম য়াওরি।

শেনফম অসি সেক্যুরিটি, ইনর্জি, সাইবর সেক্যুরিটি ইস্যুশিং, দিস ইনফোর্মেসন, মেক্রো ইকনোমিক ষ্টেবিলাইজেসনদা শীজিন্নগদবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা হ্বাইট হাউসনা রিলিফ তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী পুৱারীদা ঐহাক্না নেসনেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী চাওবা ইনভেষ্টমেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইগদবা শেনফম দিমান্দ তৌই।

ফমশিং অসিনা ঐখোয়গী মিলিটরিবু মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না নীংথিনা শেম শাবা, ট্রেন তৌবা, খ্বাইদগী ফবা খুৎলায়শিং পায়হনবা ঙমগনি। মসিদা নত্তনা রসিয়ন



প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা চথরিবা অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিংগী পাউখুম ওইনা য়ুএসনা য়ুক্রেনগী ইকনোমিক, হ্যুমেনিটরিয়ান অমসুং সেক্যুরিটিগী মথৌ তাবশিং মতেং পাঙনবা মখা তানা ইনভেষ্ট তৌনবা হায়রি।

প্রসিদেন্ট বাইদেননা মখা তানা হায়রি, মদুদি মহাক্কী বজেট অদুনা য়ুএসতা সেক্যুরিটি, সেফতি অমসুং ফিস্কেল রেস্পোন্সিবিলিটি হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়বগী মেসেজ অমা পী।

এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা চহী অসিদা ফেদরেল দিফিসিটকী চাং দোল্লর ট্রিলিয়ন ১.৩ হেন্না হন্থহন্নবা হোৎনরি। শেনফম অসি মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌখিবা চহীদা উৎখিবা দিফিসিট অদুদগী তঙ্খায় অমা হন্থরবনি।

মসি য়ুএসকী পুৱারীদা চহী অমগী মনুংদা দিফিসিট খ্বাইদগী য়াম্না হন্থহনবা খোঙথাংনি। মসি ঐহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না পেন্দেমিক কন্ট্রোল তৌনবা পুথোকপা ষ্ট্রেটেজিদগী হকথেংননা লাকপা রিজল্টনি হায়না বাইদেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদাং মশক খঙবা পোলিসিংগী ফিভম লৈহন্নবা লম্বীশিংদা অহেনবা পুলিস দিপ্লোই তৌদুনা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না কম্যুনিটিশিং মখা তানা সেক্যুর ওইহনগনি হায়নসু প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

নোংমৈগী ক্রাইমশিং থেংনবদা মতেং ওইনবা এজেন্টশিং নেক্কনি অমসুং ক্রাইম থিংবা অমসুং কম্যুনিটি ভাইওলেন্স ইন্টরভেন্সনদা মতিক চানা ইনভেষ্ট তৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বজেট অসি বাইদেনগী দিমোক্রেটিক পার্টিনা কন্ট্রোল তৌরিবা কংগ্রেসনা এপ্রুভ তৌগদবনি। তৌইগুম্বসুং পার্টি অনীমক্কী লো মেক্করশিংনা বজেট অসিদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা হোৎনরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।